ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯸, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯰꯰ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, জন্যুৱারী ২৮, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩০০শুবা মশীং

# প্লাষ্টিক পোল্যুসন

## মণিপুরদসু চৈথেং ফংলি হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক খঙমিন্নসি

প্লাষ্টিকনা মীওইবা ঐখোয়দা পীরিবা কান্নবসি মপান নাইদে হায়বা য়াই। অদুবু, ঐখোয়না পরম চুমদনা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং শীজিন্নবনা মরম ওইরদুনা মালেমগী মফম পুন্নমক্তা প্লাষ্টিক পোল্যুসনগী ৱাফম অসি লাকই। মমল হোঙবা অমসুং শীজিন্নবদা হেন্না খুদোংচাবা মরম্না প্লাষ্টিক্না শেল ইচঙ চঙদনা চান-থক্লবগী পোৎ হাপ্পবা কন্টেনর, পোৎ-চৈ পুথোক-পুশিনগী বেগ শেম্বা, থক্লনবা ঈশিং হাপ্পবা বোট্টল কয়ামরুম শাদুনা পুথোরক্লি। মসিদসু নত্তনা হীরম কয়াদা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং শীজিন্নরি। মীয়াম্না পোৎ-চৈ পুথোক-পুশিন তৌবদা খ্বাইদগী নুংঙাইবা খাউ হায়বা তারগদি পোলিথিন বেগনা ওইরি। পোৎ-চৈ হাপ্পদা চুশিন্দবা, য়াম্না য়াঙবা অমসুং মপাঙ্গল কনবনা মরম ওইরগা মীয়াম্না অসিগুম্বা মখলগী খাউ অসি শীজিন্নবনি হায়না লৌবসু য়াই। মসিগীসু মথক্তা অতোপ্পা মখলগী খাউশিংগা য়েংনরুবদা প্লাষ্টিক্কী খাউনা মমল হোঙবনা পোৎ য়োল্লিবা কাঙবুনা মীয়াম্না লৈরিবা পোৎলম অদু হাপ্পদা খূদোংচাহল্লি। অমরোমদা, প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং অসি ঈশিংদা তাশিল্লগসু তুমদবা, লৈবাক লৈহাওদা তিল্লগসু তুমদবা, নুংশিৎনা হুমদুনা মফম অমদগী মফম অমদা কোইপু পুদুনা চৎলগা তাহন্নীংদবা মফমদা তাশিনখিবগী নুংশা-থীনিংঙাই ওইবা পোৎলম অমসু ওইরি। মতম অমদা মহী ওইবা পোৎলমশিং গ্লাসতা হাপ্লম্বদু হৌজিক্তি প্লাষ্টিক বোট্টলনা মহুৎ শিনখ্রে। ফত্তে হায়না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ফনা য়াম্না হায়জরগসু লৈবাক অসিগী ফার্মাকোলোজিগী থবক তৌরিবশিংনা হীদাক-লাংথক হাপ্পগী ফরবা পোৎলমসি প্লাষ্টিক বোট্টলনা ওইরি। হৌজিক্তি লিক্লিদা পোৎ হাপ্পা থেংনরক্ত্রে। লিক্লিসু অদুমঙাই তুম্বা ঙমদবা পোৎলমশিংগী মনুংদা অমনি। অদুবু প্লাষ্টিক্কুম্না পাক শন্না শীজিন্নদবা মরম্না মসিনা পীবা চৈথেংদুদি ঐখোয়না খঙবা ঙমদবগী ৱানি। পূন্নমক অসি য়েংলুরগা প্লাষ্টিকসু নৎতবা লিক্লিসু নৎতবা য়াম্না লায়না মাঙহনবা য়াবা, ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভমদা শোকহল্লোইদবা মখলগী পোৎশক অমনা মহুৎ শিনহন্নবা য়াম্না কুপ্না খন্নবা মতম য়ৌরে। চাউখৎলবা লৈবাকশিংদদি প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং শীজিন্নখিদ্রে। মদুগী মহুৎতা পোৎ অমা লৈবা চৎপদা চেনা শাবা খাউ হাপ্পা নৎত্রগা যূমদগী চেগী খাউ পুবগী চৎনবী লৈরে। তঙাইফদ্রগদি ঐখোয়না যূমদগী ফিনা শাবা নৎত্রগা ইনভাইরনমেন্টতা শোক্লোইদবা মখলগী খাউশিং শীজিন্নরগা পোৎ-চৈ লৈবগী চৎনবী লৈরিবসি মণিপুরদসু মপুং ফানা পুশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভমদা প্লাষ্টিকনা চৈথেং পীরে হায়বসি খঙ্না খঙনা খঙদবগুম্না লৈথোক্লরি। মসিগী চৈথেং তুংগী মীরোলনা ফংলক্তুনা মণিপুর ওন্থোকপা ফীভম অমদা লৈরক্কনি হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্না ৱাখল তামিন্নবগী তঙাইফদবা মতম য়ৌরে।

মালেমগী ওইনা প্লাষ্টিক ৱেষ্টকী প্রোব্লেম থেংনদুনা লাক্লি। অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লরকপগী মতুংইন্না মিনিট ১খক্তা থক্লনবা ৱাটর বোট্টল মিলিয়ন ১গী মথক্তা শীজিন্নরি অমদি প্লাষ্টিক দিস্পোজল বেগ ট্রিলিয়ন ৫গী মথক্তা শীজিন্নরি। তোঙান তোঙানবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী ওইনা নোংমদা প্লাষ্টিক টোন ১৫,০০০ লোম শীজিন্নরি। মসিগী মনুংদা চাদা ৬০ রোমদি রিসাইকল তৌথ্রবসু লেমহৌরিবশিং অদুদি প্লাষ্টিক ৱেষ্ট ওইনা থোক্লক্লিবনি। মণিপুরদসু নোংমদা প্লাষ্টিক ৱেষ্ট টোন ১০০গী মথক্তা পুথোকই হায়না পারি। মসিগী মনুংদা প্লাষ্টিক ৱেষ্টকী চাং অসি চাদা ৫গী মথক্তনি। হৌজিক শীজিন্নরিবা কনভেন্সনেল প্লাষ্টিক অসি মীওইবগী হকচাংদা শোকহনবা, হিংলিবা অকোয়বগী শা-ঙাদা শোকহনবা অমদি শীজিন্নবা লোইরবা প্লাষ্টিক অসি লৈবাক্তা তুম্বা ঙমদবা মরম্না লৈবাক লৈহাও মাঙহল্লি। পোৎলমশিং অসি ঈশিংদা তিনবা মতমদা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টনা শেম্বা পোৎশক ওইবনা শরুক খরদি রিএক্সন থোক্তুনা ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম শেংহল্লক্তে। অসিগুম্বা শেংদ্রবা ঈশিং অসিদা হিংলিবা অপীক-অপীকপা অহিংবশিং নৎত্রগা মীওইবা ঐখোয়না চানরিবা ঙানা মচীঞ্জাক ওইনা চাবদা য়াওশিনখিদুনা মখোয়গী হকশেলদা কেমিকেল ওইবা পোৎলমশিং য়াওরকই। অসিগুম্বা পোৎলমশিং য়াওরবা ঙাশিং অদু ঐখোয়না চারুবদা মীওইবগী হকশেলদা অকায়বা ওইহল্লি হায়বসি ককপা য়াদ্রবা ৱাফম ওইরে। পূন্নমক অসিগী মথক্তা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং অসি মাঙহন্ননবনি হায়দুনা ঐখোয় মীওইবনা পৈশিল্লগা মৈ থাবদসু মদুদগী থোরকপা গ্যাস অদু হূ চেল্লি। থোরক্লিবা গ্যাস অদু মীওইবা ঐখোয়না নীংশা হোনবদা য়াওশিনখিবা মতমদা মীওই অদু কেন্সর য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মখল কয়াগী তমথীরবা লায়নাশিং নাহন্নবগী মচাক ওইরকই। ইন্দিয়া পুম্বদা লৈঙাক্লা লৈবাক অসিদা সিঙ্গল যুজ প্লাষ্টিকশিং মপুং ফানা থিংননবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরুরবসু মায় পাকপদি ঙমদ্রি। অদুমকপু লৈঙাক্লা নৎত্রগা মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম শীজিন্নবা থিংলে হায়বনচিংবা তোখায়বা য়াথং অমা থোক্ত্রগসু ঐখোয় ৱাখল তাবা মতম য়ৌরে। মালেমগী মীয়াম্না ফংলিবা প্লাষ্টিক পোল্যুসনগী চৈথেং মণিপুরদসু ফংলি হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক খঙমিন্নরসি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০

১) মণিপুরী সাহিত্যদা ইহান হান্না এসে (রচনা) ইদুনা পুথোকখিবা অইবদু কনানো অমসুং লাইরিক্তুগী মমিং করিনো?
২) মণিপুরগী অহানবা এফ এ (কোন্না আই এ হায়না খঙনখিবা) পাস তৌখিবসি করম্বা চহীদনো?
৩) অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতুংদা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক্তু করিনো, কনানা হন্দোকপনো অমসুং করম্বা চহীদা ফোঙখিবগে?
৪) ''শজিবুগী চীংথ্রাউ মপাল' হায়বা লাইরিকসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবদু কনানো?
৫) ''হিজন হিরাউ'' হায়বা অরিবা শৈরেংদা মথং নুমিত্তা য়ানগদৌরবা, তলা উরাই থাদুনা থল্লম্মবা পামেল তল্লা চাউথোইববু মথং নুমিত্তগী কায়নরগনি, কনবা ঙম্মরোইদো হায়না কপখিবা মমা অদু কনানো (করিনো)?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ১৫
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

ঈশৈ লীলা হায়বসি ঐখোয়গী মাঙদা লৈরম্মে। অদুবু য়াম্না পোপ্যুলর ওইনা ষ্টেটসিগী কাচিন কোয়া য়ৌনা শন্দোরকপদি নহারোল খোঙথাং আর্টিষ্ট হায়বা অসিসু অমনি। ঈশৈ য়াওবনিনা ম্যুজিক য়াওদবা য়াদে। হার্মোনিয়ম, টবলা, ধুলকি, গিটর য়াওই। অদুবু অঙনবা মতমদুদা ঐখোয়না লীলা শান্নবা চৎপা মতমদা মাইক (সাউন্দ) গী খুদোং চাদবসিদি অঙকপা ফংনা লৈখি। মতম অদুৱাইদা লীলা অমা তৌবদা মাইক্রোফোনসি ময়ায়দা অমা য়াল্লগা লোইরে। অদুম ফজনা চিংই। লোইনমক তারম্মী। মমৈদদি অদুগুম্বা মাইক্রোফোন অদু ফংনরকখিদে। অদুনা চুম্নগী অমগা য়াল্লগা লীলা শান্নবদদি য়াম্না নুংঙাইরমদে। অদুগীসু মথক্তা, লৈকায় অমদা মাইক লোয়বা কাঙবুশিংনা মাগী মাইক্রোফোন অনীদগী হেন্না কয়া লৈনদে। অনীগা শুরদি য়াম ফরে হায়না লৌনরম্মী। ফরেনে, অনীদুসু শুরমদবা, শুপ্নতগী অমখক্তমক লৈরম্বগসু য়াওরিপোৎনি। অদুদদি কমাইনা লীলা শানদৌরি। ঈশৈনে, দাইলোগনে কমাইনা তৌদৌরি। অদু ঐখোয় য়ানা য়ানবা তৌরকই। ঈশৈ শক্লমদাইদা মাইক্রোফোনদু লৌথরনি, অদুগা ঈশৈ শকপদুনা পায়রগা শক্লনি। ঈশৈগী interlude music তনা মাইক্রোফোনদু তবলাগা হার্মোনিয়মগগী মনাক্তা পুশিল্লগা থমগনি। য়াম্না ৱানা শক্লকই। মসি লীলা য়েংলিবশিংনসু পেন্নদে, শান্নরিবনসু লোইনমক্লা পেন্নদে। অদুবু কমদৌনি। মাইক অফবা লোয়বা হায়বা তারবদি লৈকায় খুদিংমক্তা লৈবা নত্তে। ফরে হায়রিদুসু নুংঙাইখ্রজাৎনি। ময়ূমদা চানবা স্পিকরগী উপু, চাউবদি য়াম্না চাওই। অদুগা মদুদা হাপ্পীবা স্পিকরদুদি অপিকপনি। উপুদু চাউবগী ৱানি। মখোল ফজদে। অদুবু হেক য়েংবদদি ফজরে। মতমদুদা স্পিকর অচৌবসি উবদা য়াম্না হেক্তা ফরবোই খন্নবা মতমনি। অদুগা এমপ্লিফিয়রদু ৬০নি। মাইক্রোফোন অহুম মরি পানবা য়াই। অদু অমগা লোয়রবা লোইরে ফাওরে। অদুদগী খরা হেনবদা হায়রগা এমপ্লিফিয়রদু ১২০ ৱাট্টকা ওইরদি অমুক হেন্না ফাওরে।

মসি ঐখোয়দদি শুকপেন হেক পেনবা নত্তে। অদুনা ঐখোয় খন্নরগা ম্যুজিক্কী ফজফমসু খঙদবা লীলাগী দাইলোগসু মপূং ফানা তাহনবা ঙমদবনা মাইক্রোফোনসি লন্নাই ওইনা লৈরসি হায়না লেপ্পরে। ঐখোয় মাইক্রোফোন অফবা অহুম লৈরে। পার্টিগী ওইননি। ইশৈগী অমা অদুগা অনী অমনা দাইলোগকী য়াম্না চিংবা মাইক্রোফোন, মতমদুদদি অহুজা হায়রগা লোইরে। মদুগা লোয়ননা ফীট অমা মখায়মুক পাকপা অদুগা শাংবনা ফীট অহুমমুক শাংবা অহুজাগী স্পিকর অনী লৈরে। মদু হৌবদি য়াম্না হৌরে। বেজ স্পিকর মচা অমমমসু য়াওই। অদুনা স্পেসল ওইনা ৱায়রগদু পুরগা ঐখোয় চৎলি। লাইবক থীবদি মদুগী ময়ামদু শম্নবা এমপ্লিফিয়র য়াওরমদবদগী খুদক্তা কোয়চেন চেন্নদুনা থংনবা লৈকায়দগী ৱায়রগা সেরিজ তৌরগা খোংবা য়াওই। অদুবু থংনবা লৈকায়গী মাইক খোংবদুনা মাগী মাইকতি ৱায়দনা মেছিনদমক ৱায়গে হায় হায়দুনা মুক্তুনা খুদক্তা ৱায়বগা পীরক্তবা য়াওই। মদু ঐখোয়না মাবু য়ানবা থেম্মী, মতুং প্রোগ্রাম নখোয়গী শোমদা লাকপদা মাইকসি ৱায়য়ু হায়গে হায়না। অদু কান্দুদা য়ানরিপোৎনিদা। অসুম্না ৱানা ৱানা সাউন্দগী ফীভমসি খরা খরা ফগৎনবা হোৎনরকখি। মসিনা লম অরাপ্পগী ৱানি। শ্বাইদা খরা নকপদা হায়রগনা মতমদুদা সাউন্দদা খ্বাইদগী মমিং চৎপসি কৈশাম্পাৎ জঙ্কসন্দা হৌজিক দোভ সেন্টরনা লৈরিবা অদুৱাইদা দুকান ওইনা হাংলগা লৈবা **শান্তি ভোইস** হায়দুনা অমা লৈরম্মী। মদুগী সাউন্দদু ঐখোয়না হায়নরগা লীলা চেবাউ লৌবা লাকপা মতমদা সাউন্দদি শান্তি ভোইস ওইনা খোংলম্মু হায়না হায়নৈ। নোংমদা লীলা মফম অনী অহুম শুরকপদা শান্তি ভোইসকী সাউন্দসি লোইনা ৱায়বা ফংনদে। মরমদি মখোয় ঈশৈগীসু খোংবনি মতমদুদা অদুনা ফাংজিন্নরকপা মতমদদি মদুগী খুদোংচাদবসু লৈখি। অদুবু য়ান-য়ানবা শিন্দুনা ফনা নুংঙাইনা লীলা শান্নবা হৌরকই। অদুনা সাউন্দ ফরকপদগীদি লীলাগী মতিক ময়াইসু হেনগৎলকই। মমৈদদি শান্তি ভোইসসি অরাপ্পা অনকপা পূন্নমক্তা ঐখোয়গী পার্টিগী রিজার্ভ ওইনা মাইক সেট অমা পুরগা চৎপা হৌরকখি। অসুম্না সাউন্দগী ফীভম অসি ফগৎনবা অতোপ্পা পার্টিনসু তৌনবসু য়াওরকখি। মমৈদা শান্তি ভোইসকী মতুংদা হৌজিক এস এস এস হায়রিবা অসিসু ঐখোয়গা পূন্না চৎমিন্নরম্মী। মমৈদদি ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবীদগী সমানন্দগী সাউন্দ অসি ওইনা ফনা শাংনা চৎমিন্নদুনা লাকখি। সাউন্দ পানবসু য়াম্না থুনা পানবা য়ানবা সিষ্টম অমা শেম্মী। অদুনা য়াম্না থুনা সাউন্দ ফিট্টিং তৌই। হেক হৌবগা সাউন্দ পান্নবা থৌরাং তৌই। অদু ইকুই কুইদনা হেক লোইবগা লীলা হেক্তা হৌই। অদুনা সাউন্দগী অহানবদা লৈরম্বা ফীভম অদুদগীদি হৌজিক অসিনা য়াম্না শাথীনা ফরে। মসিগী হৌরকপদা ফীভম অসি ওইনবা হোৎনবদা ঐখোয়না মাঙজিন থানা তৌরকপা খরদু থমজবনি। হৌজিক্তি সাউন্দগী ওইনদি খুদোংচাদবা অমত্তা লৈত্রে। য়াম্না নুংঙাইরে।

লীলা শান্নরিঙৈদা সাউন্দ য়ারক্তবদগী ময়াম চঙদুনা লাউশিনবদা খৎন-চৈনবা ফাওবা থোকপা য়াওই। মাইক খোংলিবশিংনসু মরক মরক্তা লৈখৎ-লৈথ শানবদা তু-তা, তু-তা য়াম্না লাউবা য়াওই। মদু য়াম্না সেরিয়স ওইবা মতাংদদি য়াম্না নুংঙাইতবনি। অদুনা মীপূম খুদিংনা য়াম্না শাউনৈ। মাইক ঈশিং তিংঙু হায়বা ৱাসি তোয়না হায়। অদুদদি মাইক খোংলিবা মীদুসু শাওরক্তুনা মচিন খুম্মকই। অদুদগীদি খৎনবা হায়দু অদুম ওইরে। সাউদুনা মাইক খোংবদুনা মরী মরাং লোইনা থদৎলগা খোংঙরোই হায়না তৌবগসু য়াওরিপোৎনি। মদুদা থেম্নবা হোৎনবদা অঙকপা অমনি। সাউন্দ হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। অদুনা সাউন্দ অফবনা লীলা অমগী মতিক ময়াই হাপকৎলি। লীলাগী তাঙ্কক তাঙ্কক্কী মতুংইন্না সাউন্দগী দিজাইন শেম্নবা য়াওরে। দাইলোগকী লাইন অমা ঙাঙলিঙৈদা অখন্নবা ৱাহৈ অমা অনীখক্তমক ইকো হাপনীংবদা হাপ্পা য়ারে। অদুনা লীলা তম্বদা সাউন্দসু য়াওনা তম্নরে। হৌজিক্তি লীলা হায়বসি লীলাগী পার্টি অদুদা আর্টিষ্টখক্তা নত্তনা লোইনমক হায়বদি সাউন্দসু, কোষ্ট্যুম দিজাইনরসু লোইনা য়াওরে। অদুনা টিম অমা হায়বদু ওইরে। মমাঙঙৈ লৈরম্বা ফীভমদগীদি য়াম্না শাথীনা হোংলে। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৫০

**উসম ধনঞ্জয়**

হৌরক্লিবা তুংগী মীরোলগী খন্দুনা মহৈরোয়শিংবু য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা মহৈ তম্বা ফংননবা হোৎনমিন্নবসু ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা ৱারেপশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্লবা হান্না শেমখিবা কম্মিটি অদু চাউথোক্তুনা মখা তারকপা থবকশিং পাঙথোক্লবা এদহোক কম্মিটিদা শিন্নবা হায়নসু য়ানখি।

মহৈ তম্বা ফংদ্রিবা স্কুলশিংগী প্রিন্সিপাল, ফাউন্দরশিংনা মীটিং অমা তৌদুনা স্কুলশিংদুগী পেরেন্টস অমসুং ওজাশিংগা পূন্না মহৈ তমহন্নবগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌবা অমসুং ৱারেপ অদুগী মতুংদা অপূনবা লূপ, জে এ সী অনী, এমসু, এম এস এফ অমসুং কে এস এগা উনদুনা ৱারী শানদুনা ইস্যু অসিগী মতাংদা য়ানগদবা ৱারেপ লৌনবা এসোসিএসন অসিনা মখা তানা পাউ ফাওদোক্তুনা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনমিন্নবা হায়বা ৱারেপ অমসু লৌখি।

ঙসিগী মীফম অদুদা রিটায়র্দ আই জি পি, এম এ রহমননা চীফ গেষ্ট অমসুং ওল মণিপুর পেরেন্টস টির্চস এসোসিএসনগী কনভিনর পি শরতচন্দ্রনা প্রিসাইদ তৌখি। লোয়ননা গার্ডিয়ানশিং, ওজাশিংনা শরুক য়াখি।

**দিসেম্বর ০৬, ২০০৯ :** হৌখিবা তাং ৪গী নুমিদাংদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী কসোম খুল্লেন সব দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা খোইরুপোক খুনদা নোংমৈ কাপ্পখিবা লৈতে, খুন অসিদা পোষ্ট হাংদুনা লৈবা ৩৪শুবা অসাম রাইফলসকী ই-কম্পনিনা অতৎ-অখম লৈতনা নোংমৈ পংকাপ্তা কাপ্তুনা মী অনী শোকহনখিবনি অমসুং খুন অসিদা অমাঙ অতা কয়া অমা থোকহনখিবনি হায়না খুন অদুগী খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফালগী ন্যু চেক্কোন্দা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা কসোম খুল্লেন সব দিভিজন দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী চেয়রমেন জোজো রোবার্টসননা হায়খি, হৌখিবা তাং ৪গী নুমিদাং পুং ৬তগী মথং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ৪ অদুৱাই ফাওবা এ আরনা খোইরুপোক খুনদা মরম লৈতনা অতৎ-অখম লৈতনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা খুনগী খুঞ্জা অনী শোকহনখি। প্রাইমারি স্কুল, কম্যুনিতি হোল, অঙ্গনৱাদি সেন্টর, ৱিভিং সেন্টর অমসুং যূম কয়াসু অতেক-অকায় নংহনখি।

নুমিৎ অদুদা এ আরদা এম্বুস তৌরকপগী খুদম অমত্তা খুঞ্জাশিংনা ফংদে। সিক্যুরিটিগী মায়কৈদগী নোংমৈ কাপ্পবনি হায়না ফোঙদোকখিবসি যূম্ফম য়াওদবা পাউনি। এ আরনা নোংমৈ, বোম্নচিংবা কাপশিল্লকপা অদুদা খোইরুপোক্তগী ঐচ মাতুইচিং (৫২) অপোকপা লৈখিদ্রবা ঐচ প্রাংখাননচিংবা মনঙ্গন্দা পানখি। অদুগা এস হুইমি (৫৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস থুইঙালেংনা ওইগী খূৎতা নোংমৈ মৰুনা পাল্লগা ফাওদোক্তুনা চৎখিবনি। মখোয় অনীমক রিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে হায়না খুন অদুগী খুঞ্জাশিংনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

এ আরনা খুন্দা নোংমৈ কাপশিনখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা কসোম খুল্লেন পুলিস ষ্টেসন্দা ৱাকৎখ্রে। লোয়ননা ঙরাং কসোম খুল্লেন সব দিভিজনগী সিনাওলোং (নুপীশিং) না খোইরুপোক্তা লৈবা এ আরগী পোষ্টতা থোমজিন্দুনা পোষ্ট কম্মান্দর রোসন ছেত্রি উন্ননবা হোৎনখি। গেটতা লৈরম্বা সন্ত্রিশিংনা অথিংবা পীরকপদগী গেট নমখায়দুনা পোষ্ট মনুং ফাওবা চঙশিনখি। অদুবু নুপীশিং অদুনা পোষ্ট কম্মান্দর উনহল্লকখিদবদগী নুপী ময়াম অদু হল্লকখি হায়রি।

থৌদোক অসি মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্দা ৱাকৎতুনা স্পোট ইনক্বারিনচিংবা তৌহন্নবা হোৎনগনি। লোয়ননা হোমগী থবকসু পুরিবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদসু মরীক চুম্না খঙহন্দুনা চপ চাবা থবক লৌখৎনবা তকশিনগনি হায়না জোজো রোবার্টসনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কসোম খুল্লেন সব দিভিজনগী তাঙ্খুল নাগা অজে লোংফাং অমসুং কসোম খুল্লেন সব দিভিজন দিভলপমেন্ট এসোসিএসন্না এ আরনা খোইরুপোক খুনদা নোংমৈ অমদি বোম কাপশিনববু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌবসু ফোঙদোরকখি।

কসোম খুল্লেন সব দিভিজন ভিলেজ ওথোরিটিগী কেশো চিথুংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না থা অসিগী ৪গী নুমিদাং পুং ৬ লোম তাবা অদুৱাইদগী হৌরগা ৩৪শুবা এ আর ই-কোই কম্পেনিনা নোংমৈ অমদি বোম্নচিংবা কাপ্লকপদা খুঞ্জা অয়াম্বা যূমদগী মপান থোকপা ঙম্নখিদে। নুমিদাংগী পুং ৮ লোম তাবদা মাতুইচিংগী মনঙ্গন্দা নোংমৈনা পান্দুনা শোকখিবনি। অদুগা অমুক নোংয়াই মতুং পুং ৪ রোম তাবা অদুৱাইদনা নোংমৈ মৰু অমনা হুইমিগী ওইগী খূৎ ফাওদোক্তুনা মফৈগন্দা ফাওবা শোকখিবনি হায়রি। ●

# নীংবা কায়বগী ৱাংমদা

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

ঙসি ওইরিবা ইরমদমগী ফীভমসিদা মহৈ-মশীন তন্নিবা নহারোলশিংনা ইরমদম কংলৈপাক্কী ৱাংমদা ৱাখল খনবা তম্বা মথৌ তাই। মহৈ তম্বদনি খঙদে, থবক তৌবদনি খঙদে, লো এন্দ ও র্দর অমদি অচুম অরান পুথোকপদনি খঙদে, য়েংলু-য়েংলুবা মায়কৈদা নীংবা কায়নীংঙাইগী কায়নীংঙাই ঙাক্তা। ওনলাইন্দা তম্বা কায়দুবু মহৈশঙ খরতগী ৱানি। অয়াম্বা মহৈশঙশিংদি মদুগী ফেসিলিটি লৈতে। অদুগা অমনা মহৈরোয় খুদিংমক মোবাইল ফোন অমদি কম্প্যুটর থম্বা ঙম্নদে। লায়রখ্রবা ইরমদম কংলৈপাক্তি থম্বু থমখিসি, আ খুমাঙ চাওশিনখ্রবা টাইৱান হায়রিবা মফম অসিদা ফাওবা ওনলাইন এদ্যুকেসন সিষ্টম শীজিন্নদে, মরমদি মপূং ফানা তম্বীবা য়াদে অদুগা মহৈ তন্নিবশিংনসু লৌশিনবদা হেন্না ৱানা থোকই। মরম অসিননি টাইৱান্দা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ য়াম্না ঙন্না লাকখিবা থোক্লবসু নোংমতা স্কুল লোন্দনা মহৈ তম্বীখিবা। চয়োল অমখক্তি লোনখি অহানবা হৌরকপদা। মদুসু সেমিষ্টর লোইশিল্লকপদা অমুক মেনশিনখিবনি।

ওনলাইন য়ারিবমখৈ তৌদনবা হায়দুনা মহৈশঙশিংদা মহৈরোয়শিং অমদি থবক শুরিবা মীওইশিংনা লাকপা মতমদা থোঙ্গালদা হেন্দ সেনিটাইজর, স্প্রেশিং থমদুনা, হকচাংগী অশাবা য়েংথোক্তুনা (বোদি টেম্পরেচর চেক-অপ) চঙহল্লিবনি। করিগুম্বা কনাগুম্বা মহৈরোয় নৎত্রগা মীওই অমনা হকচাং শাবগী চাংদগী হেনবা থোক্লবদি মখোয় অদু হোস্পিটালদা থাই য়েংথোক্লনবা। করিগুম্বা কোভিদ-১৯ লাইচৎ পক্লম্লবদি হোস্পিটালদা নৎত্রগা ময়ূমদা তোঙান্না লৈহল্লি, ময়ামগা পূন্না লৈহন্দে। অদুবু করিগুম্বা মহৈশঙ অমদা মীওই অনীদগী হেন্না লাইচৎ অসিনা নারকপা লৈরবদি মহৈশঙ অদু থোঙ থিংহল্লি লৈঙাকনা। অসুম্না থোঙ্গালদা লেপ্তুনা হকচাংগী অঙ্গং অশা লৌবসি ঐহাক ইশামকসু নুমিৎ কয়ানি য়াওখিবনি। মতৌ অসুম্না মহৈশঙ অমত্তদা ওনলাইন্দা তম্বীখিদে অদুগা নোংমতসু মহৈ তম্বা মাঙহনখিদে। অদুবু ইরমদম কংলৈপাক্তদি থা কয়ানো মহৈ তম্বা ঙমদনা লাকখিবা। ময়াম্না অদুম খঙবীরো। মহৈ তম্বগী মায়কৈসিদা য়েংলুবদা য়াম্না নীংবা কায়নীংঙাই ওইরিবনি ইরমদমগী ফীভমসে। মহৈ নীংথিনা তমদনা করম্বা অফবা খুন্নাই অমা পুরকপা ঙমগদৌরিবা। সংস্কৃট লোল তম্বীবা অদুনদি ওইবা য়ারোই।

থবক তৌবলোমদা অমুক য়েংসি, ইরমদম অসিদা থবক তৌবা হায়বসিমদি শুংখল হেক খল্লুরনু হায়নীংই হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা। করিগী, শেল পীদনা থবক তৌবা য়াদবনিনা। মহৈ তম্বদা মকোক তারক্লসু, হীরম অমদা য়াম্না হৈথোই শিংথোইবা ওইরবসু, য়াম্না মতিক চাবা মহৈরোয় অমা ওইরবসু শেল চবুন চবুন পীদ্রবদি থবক ফংবা হায়বসিমদি ওইদ্রে। মসি ঐখোয় খুদিংমক্লা চৎনবীগুম য়ানরবনি। শেল পায়বা কাঙবুদি শেল পীদুনা অদুম তৌখিবসু য়াই। অদুবু শেল লৈজদবা অমদি শেল পীদুনা থবক তৌনীংদবা নহারোলশিংদদি অসুক্কী মতিক নীংবা কায়নীংঙাই ওইরিবনি। শেল পীরুরগা থবক হেক্তা ফংগনি হায়বগী ৱাফমসু লৈতে। ইমুং কয়া, মীওই কয়া লৌ ইঙ্খোল য়োন্দুনা থবক অমত্তং তৌজরবদি নুংঙাইগনি খন্দুনা লৈত-লৈত মমা-মপানা শেঞ্জাও পীশিল্লুরগা থবকসু খল্লক্তা, শেলসু হন্দোকপীরক্তা ইমুং কয়া কায়খিবা, মমা-মপা ওইবা কয়া পুন্সি লোমখিবা ঐখোয় খুদিংমক্লা উরবনি, তারবনি ঙাইহাক লৈতনা। শেল পীদুনা থবক তৌবগী চৎনবীসি কোভিদ-১৯ হায়রিবা লাইচৎ অসিদগী হেন্না শাথীবা লাইচৎ অমনি। অসিগুম্বা চৎনবী অসি দেমোক্রেসিগী মমীংদা ফোংনা অরানবা তৌবা য়ারিবা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক্তদি মতম শাংনা লৈখিগনি।

অদুগা লো এন্দ ওর্দর, জুদিসিয়ারি, অচুম অরানগী মায়কৈদা য়েংলগনা কমদৌবা। ইরমদম কংলৈপাকসিদবু লো এন্দ ওর্দরবু লৈবু লৈরিব্রো? ইরমদমসিদদি অচুম্বনা অরানবা ওইহল্লে অদুগা অরানবনা অচুম্বা ওইহল্লে। মসিনা মরম ওইদুনা কনাগুম্বা অমনা অচুম অরানগীদমক চঙজফম ওইরিবা জুদিসিয়ারি সিষ্টমদা ফাওবা থাজনরক্তবগী মতৌ অমা লাক্লে। যু এস এদকা চৎনরিবা জুদিসিয়ারি সিষ্টমশিং অসি য়েংলুবদা ঐখোয় ইরমদা লৈরিবা মতৌ অসিগা খেন্নবা কয়া লৈরি হায়বা য়াই। ইচম চম্বা খুদম হায়ববু হন্দক্তা যু এস এগী প্রসিদেন্সিএল মীখলদা প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী ৱাহৈ অমতা যু এস এগী সুপ্রিম কোর্টনা মচেৎ অমা ফাওবা তাবিখিদে চুমদবদা যূম্ফম ওইনা থাঙ্গৎলকপা ৱাফম ওইবনা। অদুবু ঐখোয় ইরমদমদদি মীয়াম পূন্নমক্লা ৱা ৱা লাউনা খঙনরবা দ্রগকী কেস অমদগী লুখোসৈ জৌ থাদোকখিবদা পেন্নদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লিবা অসিনি।

অসিগুম্বা ফীভম অসিদা নহা ওইরিবা ইরৈচা কয়ানা লমদম অসিদা মহৈ নীংথিনা তম্বা ফংগনি, লৈঙাক্কী থবক তৌগনি, লমদম অসিদা অচুম অরানগী ৱায়েল লৈঙাক্লা শেংনা তৌবীগনি, ফংগনি হায়না খন্দুনা হিংলবদি কান্নবা অমত্তা ফংলোই। মরম অসিনা হৌরক্লিবা নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিং অমদি ইরৈচাশিংনা য়ারিবমখৈ লমদম অসিগী ৱাংমদা মহৈ তম্নবা হোৎনবীয়ু, থবকসু তৌনবা হোৎনবীয়ু, শেল লৌদনা তৌবা য়াবা সেন্ট্রেলগী থবকশিং। করিগুম্বা ঙম্লগনা, শেল চাউনা চাউনা পীদুনা থবক তান্নবগী মহুত্তা ইশা ইশানা শেল থাদদুনা পাঙথোকপা য়াবা লল্লোন ইতিক অমদি নরন্নাই ওইবা অপিকপা ইন্দষ্ট্রিনচিংবা হাংদোকপীয়ু অমদি উহৈ ৱাহৈ, শা-ঙাগী ফার্মশিং তৌবীয়ু। অদুগা শেল চাউনা চাউনা পীদুনা থবক তৌগনি হায়বগী ৱাখল্লোন অমদি নীংবা কায়রে হায়দুনা চাহৈদবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক, দ্রগনচিংবা পোৎলমশিং চাশিন্দুনা ইনবগী চৎনবী অদুমদি থাদোকপীরো। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।